হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ২০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৬শুবা মশীং

# ফত্ত-হৌদিগী ৱাথোক

## লীচৈগীসু কান্নবা লৈগদ্রা

অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা মণিপুর য়াম্না পীকই। পীকচরবসু মণিপুরদগীসু হেন্না পীকপা ষ্টেটশিংসু লৈরি অদুগা পীকচরবসু ষ্টেটসিগী মীশিংদি নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। মীতৈগী ৱাহৈদা মী য়াম্লগা অমাংবা, ফত্তবা য়াম্মী হায়বগী পুমচুম চুম্লবা ৱাফমসু লৈরি। মীশিং য়ামখৎলকপগী হৌনবা হেঙ্গৎলক্লিবা মীওইশিং অসিনা শীজিন্নবা মখল কয়াগী পোৎলমশিংগী মশীংসু হেঙ্গৎলকপা হায়বসি মশানা তাবা ৱাফমনি। হেনগৎলক্লিবশিং অদুগী মনুংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং হায়বসিনা নুংতিগী তঙাইফদনা শোয়দনা শীজিন্নরবা পোৎলমশিংনি। মসিগী মথক্তা মতমগী মতুংইন্না শীজিন্নরক্লিবা ইলেক্ট্রোনিককী পোৎলমশিং য়াওনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংনরকপদগীসু হীদাক-লাংথকশিং য়াওনা পোৎলম কয়া লেপ্তুনা শীজিন্নরকই। মসিদগী মখল কয়াগী মহি অমসুং মপংগী ওইবা ৱেষ্ট কয়া থোকহল্লকই। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক অমসুং মেদিকেল ৱেষ্টশিং থোকহল্লকই। অদুবু মণিপুরদা অসিগুম্বা মখলগী ৱেষ্টশিং অসিগীদমক্তা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবসিদি অনৌবা নৎত্রে। চহী খরগী মমাঙদগী হৌরক্তুনা সোলিদ ৱেষ্ট য়াওনা মখল কয়াগী ৱেষ্টশিং মফম চানা থম্নরক্তবা, চাইখাইদুনা থম্লকপশিং নীংথিজনা খোমজিন্দুনা লৌখৎপা/খোমদোকপগী থবক্তা, পুরগা অকক্লবা মফম অমদা খোমজিন-তাশিন্দুনা-পৈশিন্দুনা থম্লগা মাঙহনবা নৎত্রগা রিসাইক্লিং তৌবগী থবকশিংদা হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা মায় পাক্তবদগী ৱাথোক্তা অদুম্মক ওইরিবসিবু করিগীনো? করি করম্বা থৌরাং-থৌশিল শোয়বদগীনো? ৱাহংসিগী পাউখুম করম্বা লৈঙাক্কী লোয়শঙগী করি থাক্তা লৈবা ওথোরিটিনা পীগদগে? ৱাহংশিংসি হৌজিক মখল কয়াগী ৱেষ্টশিংগা মরী লৈননা থোরক্লিবা ৱাথোকসি মতম চূপ্পগী ওইনা লোইশিনহনগে হায়রবদি ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম থিদবা য়ারোই। পাউখুমগী খোঙ্গুল লিদবা য়ারোই। মম্বাইদা গভর্ণমেন্টনা পর্মিনেন্ট ওইবা সোল্যুসন অমা পুরক্লবগীদমক মেকানিজম অমা পুথোকপা চঙই।

তৌদে হায়বা নত্তে, তৌই। অহানবদা লাঙ্গোলগা নক্লবা লম্ফেলগী এরিয়াদা ফত্ত-হৌদিশিং লংথোক্লম্মী। অতোপ্পা মফম খরদা লংথোক্লুবদা মফমদুগী মনাক নক্লা অকোইবদা লৈবা মীয়াম্না কমপ্লেন্ট তৌনরকপা য়াওখ্রে। কাইনথংদা লমদেংদা পর্মিনেন্টনি হায়দুনা দম্পিং সাইট অমা শেমগৎখ্রে। মফমসি তান্না পুরগা অমোৎ-অকাই, ফত্ত-হৌদিশিং থম্বগী থবক চত্থরক্লে। অদুবু মখল পূম্নমক্কী ৱেষ্টকীদমক থৌরাংশিং অসি লৌখৎলক্লবসু হৌজিকসু সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টগী থবকশিং অপেনবগী থাক্তা য়ৌহল্লকপা ঙমদ্রি। ফীভমসিদি মেনেজমেন্টগী থবক্তা এনগেজ তৌরিবা লোয়শঙশিংগী পর্সনেলশিং, এন জি ওশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা মমায় লৈদুনা চেনখিবা য়ারোই। থবকসিদা ইনভোল্ব তৌরিবা মীওই সেক্সনশিংগী মনুংদা অহোবা য়াওরে। থৌওই-ৱাওইদবা য়াওবদগী থোরকপনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। লৈঙাক্কী মায়কৈদা য়েংলবসু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) য়াওনা অর্বান লোকল বোদিশিংগী মতম (টর্ম) শুজিল্লক্তুনা লোইরবসু অনৌবা মহুৎ শিলহৌগদবশিং খন্ননবা মীখল পাঙথোক্তুনা নমশিন্দুনা থম্মী। কাইনথংদা ৱারু-নুংজু থোক্লুরক্তুনা হায় কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরক্লবা মতমদতা কেয়রটেকর চ্যেরপর্সন/মেয়র হাপচিন্দুনা মথৌ তৌহল্লকই। মথোং-মরম খঙদবা, সিভিক সেন্স চেন্দবা মীওইশিং ৱারক্লবা, ৱাখল তাহন্নবা পুলিস য়াওনা হোৎনরম্বদুসু মৌ অনৌবীগী থৌদৌ তারগা হেক্তা তোকখি। মীয়াম মরক্তগীসু হৌজিক হেক ফাওবদা অমোৎ-অকাই, ফত্ত-হৌদিশিং মফম চানা থমদুনা খোমগৎ-লৌখৎপা কাঙবুনা খোমজিনখিবদা খুরৌ থাংহন্দনবা হোৎনরক্ত্রি। মীরক-নারক, তাঞ্জা-মেঞ্জা য়েংলগা থাদবা, লংথোকপগী হৈনবী অদুম্মক চুদুনা লৈরি। মম্বাইসি য়ৌশিল্লক্লবদি শা-ষণদা ইবুংঙো/ইবেম্মা হায়দুনা ফজবা থৌগল্লোন উৎলুবদা মহয় ফংদবদুগী ফীভম য়ৌরক্লবনিনা হুন্দোকপা-লংথোকপশিংদগী হৌরগা মতম চানা খোমগৎপা-খোমজিনবা লাক্তবা, দম্পিং সাইটতা পুদবা য়াওরকপশিং লীচৈদগী হৌরগা চৈবুল পীজবনা মহয় য়ানগদ্রা হায়দুনা অমুক্তং য়েংথোকপা চুমগদবা মাল্লক্লে। অদুবু সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট কাঙবুগীসু মথৌ তাবা গাড়ী অমসুং মেন-পৱার অমসুং মখোয়গী খূৎশুমলদসু অৱাৎ-অপা লৈহল্লোইদবনি। মথৌ মশক খঙদবশিংদদি লীচৈ পীজরসি হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) **“তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।”** শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **“অরোইবা খোঙচৎ”** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***“সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **“চেরৈ”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***“অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ’ গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।”*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইহান হানবগী ওইনা, অরেমখাক ওইরবা ৱাইদগী এল ঈ দি বল্বশিং শারকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**




ফৌ তক্লবা মতুংদা অরেম্বা পোৎ ওইনা ফংলক্লিবা ৱাই অসি ভেল্যু লৈতবা পোৎ ওইনা লৌনৈ, অদুগা অদুক্কী মতিক মরাং কায়নসু ফংই। মসিনা ওইবা তই - হঙ্গাম্না ৱাই চাইরে, য়োংচাক্লা ৱাই চাইরে হায়বগুম্বা লোন্দাসি শীজিন্নরল্লিবসি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী ৱাইগী উংনা চিন-য়া শেংনবা, কোল-লিক ফেংনবা,... কয়া'মা তৌনরকই; হৌজিক্লা নিংথম থাগী মতমদা ওক লোয়বশিংনা ওকশিংবু অঙ্গৎবদগী ঙাকথোক্লবা; ঙা, মোরোক্লচিংবা কংহন্নবগীদমক শীজিন্নৈ। থবকশিংসি পাঙথোকপদা মপূং ওইনা মৈ থাবা হায়বসি তৌদবা য়াদে। ৱাই মৈ থাবদগী নুংশিৎ মোৎহল্লি অমসুং ঐখোয়গী হকচাংদা অপনবা পী। অদুবু ৱাইবু মৈখু থোকহন্দনা মৈ চাকহনবা ঙম্বা লৈরংশিং পুথোকখিবগী পাউসু ঐখোয়না তাখ্রে; অতোপ্পা অমরোমদনা কম্পাগুন্সশিংনা ৱাইবু মনা-মশিংনচিংবা থাবগী থবক্তা শীজিন্নরে, অদুবু মসিনা ৱাইবু কান্নবা থবক্তা মতিক চানা শীজিন্নবা হায়বদুদি ওইদ্রি।

ফৌ কিলোগ্রাম ১০০দা ৱাই কিলোগ্রাম ২০ মুক য়াওই। মসিদা মরু ওইনা য়াওরিবা কেমিকেলশিংদি সেলুলোজ (৫০%), লিগ্নিন (২৫%-৩০%), সিলিকা (১৫%-২০%) অমসুং ঈশিং (১০%-১৫%) নি। ৱাইদা য়াওরিবা কেমিকলশিংসিনা মরম ওইরগা ৱাইবু কান্নবা লম্শিংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসি খঙলকপদগী ঙসিদি অরেমখাক ওইদুনা লৈরবা ৱাইগী মরমদা থিজিনবগী থবক কয়া পাঙথোক্লখ্রে, কয়া'মসু পাঙথোক্লরি। ৱাইদা সিলিকা (সিলিকোন দাইওক্সাইদ) মরাং কায়না য়াওবনিনা মসিদগী সিলিকোন শুংদোক্তুনা নৎত্রগা সিলিকোনগী কম্পাউন্দশিং শুংদুনা ইলেক্ট্রোনিক্সকী লম্দা শীজিন্ননবগী মঙ মঙবা হৌরকখি। অমেরিকান কেমিকল সোসাইটিগী "ACS Sustainable Chemistry & Engineering" দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, হিরোসিমা য়ুনিভর্সিটিগী নেচরল সাইন্স সেন্টর ফোর বেসিক রিসর্স এন্দ দিভেলপমেন্টকী থিজিন লূপ অমনা ৱাইদগী রিসাইক্ল তৌরবা মতুংদা অহানবা সিলিকোন ক্বান্টম দোট লাইট ইমিটিং দাইওদ (এল ঈ দি) বল্বশিং শাবা ঙম্লে হায়রি।

ক্বান্টম দোট হায়বসি ইলেক্ট্রোনিকশিংবু পুরগা চৎপা ঙম্বা খূৎশেমগী নানোক্রিষ্টলশিংনি। অলত্রাভাইওলেট লাইটকুম্বা এক্সটর্নল সোর্স অমনা ক্বান্টম দোটশিংদা ইথিল পীবা মতমদা মখোয়না মচু কয়াগী মঙাল থাদোরকপা ঙম্মী। ক্বান্টম দোটশিংগী চাওবগী চাং অমসুং মখোয়গী ফীভম চেৎলবা ষ্ট্রকচরসিনা মরম ওইরগা তোপ-তোপ্পা কেমিকল অমসুং ফিজিকলগী মগুণশিং চেল্লি। অসিগুম্বা খূৎশেমগী নানোমেটেরিঅল ক্বান্টম দোটশিংসি কম্পোজিটশিং, সোলর সেলশিং অমসুং ফ্লোরেসন্ট বাইওলোজিকল লেইবলশিংদা শীজিন্নৈ। অদুবু নানোমেটেরিঅলশিং অসি শেম শাবদা কেদমিয়ম, লেদ (মিসি) নৎত্রগা হেভি মেটলশিংগুম্বা হু চেনবা মেটেরিঅলশিং য়াওরকই। অদুনা অকোয়বগী ফীভমদা হেন্না শাফবা ক্বান্টম দোটশিং পুথোকপগী মথৌ তারকই। হন্দক হিরোসিমা য়ুনিভর্সিটিনা পুথোরক্লিবা ক্বান্টম দোটশিং অসিদা অসিগুম্বা হু চেনবা মেটেরিঅলশিং য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থে হায়না Kenichi




(ক) ৱাই, (খ) ৱাইদগী শুংদোরকপা $SiO_2$ পাউদর, (গ) $SiO_2$ দগী শুংদোরকপা সিলিকোন।
(ঘ) $SiO_2$ ষ্ট্রকচরগী ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপ মমি।

Saiotw না ফোঙদোক্লি। পোরস ওইবা সিলিকোন অসি কুমজা ১৯৫০গী মতমদা পুথোরকখি। মতমদুদগী হৌরগা সিলিকোনবু লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি, লুমিনেসন্ট মেটেরিঅল, বাইওমেদিকল সেন্সর অমসুং দ্রগ দেলিভরি সিষ্টমশিংদা শীজিন্নরক্লি। সিলিকোন অসি হু চেন্দে অমসুং মহৌশাদা মরাং কাইনা ফংই অদুগা ফোটোলুমিনেসন্সকী মগুণশিং চেল্লি। মসিগী মরমদি সিলিকোনগী সেমিকন্দক্টর ওইনা মথৌ তৌহল্লিবা মাইক্রোস্কোপিক নৎত্রগা ক্বান্টম-সাইজদ দোট ষ্ট্রকচরশিং লৈবননি।

মীওইবগী নুংঙাই-য়াইফনবা পুথোরক্লিবা পোৎশিংসিনা অকোয়বগী ফীভমদা কায়হল্লক্তুনা হকচাং শোকহল্লকপা অমসুং ইকোসিষ্টমদা অপনবা পীরকপা অসিদগী ঙাকথোকপসু ঙম্বা, ঐখোয়গী নুংঙাই-য়াইফবসু ওইহনবা হায়বসি থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। অদুনা ইনভাইরনমেন্ট-ফ্রেন্দলি ওইবা মেথদ অমসুং টেক্নিকশিং পুথোরক্লি। অসুম্না হিরোসিমাগী থিজিন-লূপ অসিনা ৱাইসি য়াম্না শেংবা সিলিকা নৎত্রগা $SiO_2$ অমসুং ভেল্যু-এদেদ সিলিকোন পাউদরগী ফংফম অমা ওই হায়বসি খঙলকখি। ৱাইদগী সিলিকা ফংনবগীদমক, অহানবদা ৱাই খোমজিল্লি, অদুগা মৈ থাদুনা সিলিকা লৌথোকই। মসিগী মতুংদা রিদক্সন হায়না খঙনবা থৌওংসিগী মতেংনা সিলিকাবু ইলেক্ট্রিক ফর্নেস অমদা শাহন্দুনা সিলিকোন পাউদরশিং ফংহল্লবা মতুংদা শেংদোকই। কেমিকলগী ওইনা ষ্টেবল ওইনবা অমসুং দিস্পর্সিভিটি ৱাংনবগীদমক, নানোমিটর অহুমগী ক্রিষ্টলাইন পার্টিকলশিং শীজিন্নদুনা সোলভেন্ট অমদা ত্রিট তৌই। অসুম্না পুথোরক্লিবা সিলিকোন ক্বান্টম দোটশিংনা ২০%দগী হেন্না ৱাংবা হায় লুমিনেসন্স ইফিসিয়েন্সি লৈবা ওরেঞ্জ-রেদ রেঞ্জগী মচুগা লোয়ননা ঙানবা ঙম্মী।

Saitow না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, অরেমখাক ওইরবা ৱাইদগী শুংদোক্লিবা সিলিকোন অসিদা হু চেনবা কেমিকলশিং য়াওবগী চাং হন্থে। থৌওংসি মহৌশাদা ফংবা সোর্স অমদগী ইনভাইরনমেন্ট ফ্রেন্দলি ওইনা ক্বান্টম দোট এল ঈ দিশিং শাবগী খ্বাইদগী ফরবা পান্থে অমসু ওইরি। মখোয়গী এল ঈ দিশিংসি মেটেরিঅল লেয়রশিংগী সেরিজ অমা ওইনা এসেম্বল তৌই; হায়বদি ইন্দিয়ম-টিন-ওক্সাইদ (আই টি ও) গ্লাস সবষ্ট্রেট অমনা এল ঈ দিগী এনোদ ওই। মসি ইলেক্ট্রিক করেন্ট অমসুং মঙালনা ফাওরগা চৎপা ঙম্মী। আই টি ও গ্লাস অসিদা স্পিন-কোটেট এদিস্নল লেয়রশিং হাপ্পী। মখোয়সিগী মরক্তা সিলিকোন ক্বান্টম দোটশিংগী মরোল লৈ। মসিবু এলুমিনিয়ম ফিল্মগী কেথোদনা কুপশিল্লি।

থিজিন লূপ অসিগী মতুং তারকপা থিজিনবগী থবক্তা, সিলিকোন ক্বান্টম দোটশিং অমসুং এল ঈ দিশিংদা হেন্না ইফিসিয়েন্সি ৱাংবা লুমিনেসন্স লৈহনবগা লোয়ননা ওরেঞ্জ-রেদ মচু নৎতবা অতোপ্পা মচুশিংগী মঙালশিং থোকহন্নবগী হোৎনবা য়াওরি। মতাংসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি, ফৌগী ৱাইখক্তা নত্তনা, সিলিকা য়াওবা চু পাম্বী, ৱা, গেহু, বার্লি নৎত্রগা নাপীশিংদগী মখোয়গী পান্থেসি শীজিন্নরগা সিলিকোন পুথোকপা য়াগনি হায়রিবসিনি। মসিনা হু চেন্দবা ওপ্টোইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং শাবদা য়াম্না মতেং ওইরগদৌরি। অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি, ৱাইদগী ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা লুমিনেসন্ট দিভাইসশিংবু কৈথেলদা ফংহন্নবগী থৌরাং তৌখিগনি হায়রি। ●

# ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী শেম শাবা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

এপ্রিল থাগী তাং ১, ইরাই নুমিৎতা দোহাগী এক্সিভিসন অমসুং কনভেক্সন সেন্টরদা কাটারদা নবেম্বরগী তাং ২১দগী হৌগদবা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী টিমশিংনা করম করম্বা লৈবাক্লা লম্বা তৌনগদগে হায়বা খন্দোক্লবা দ্রো সেরেমোনি অমা পাঙথোকখিবদা য়ু ঈ এফ এ (য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন) না অশিন অরাং তৌবা মহাদেশ অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসন তাখিবা ইংলেন্দ গ্রুপ (বি) দা ইরান, য়ু এস এ অমদি ৱেলস নৎত্রগা স্কোটলেন্দ নৎত্রগা য়ুক্রেন অহুম অসিগী মনুংদা অমা শান্নগনি। অকোনবগী টিম অহুম অসিগী শান্নগদবা মেটচশিং লোইরবা মতুংদা অমা খনগৎকদবা লৈরি।

মহাদেস অসিগী খ্বাইদগী অফবা টিমনি হায়না লৌনরিবা য়ুরোপকী স্পেন অমসুং জর্মনি গ্রুপ (ঈ) দা খ্বাইদগী অকনবা লম্বা ওইরগনি। মসিগী মরক্তা এসিয়া মহাদেশকী মপুং ওইনা শান্নরিবা জপানসু য়াওরি। গ্রুপ অসিদা য়াওরিবশিংদি স্পেন, জর্মনি, জপান অমদি কোষ্টা রিকা অমসুং ন্যুজিলেন্দ অনীগী মরক্তা অমনি। মখোয় অনী শান্নগদবা মেটচ অমা ৱাৎলি। ইংলেন্দগী কোচ গারেথ সাওথগেটনা গ্রুপ (বি) দা য়াওরিবা টিমশিং অসিগা লম্বা তৌনবদা মকোক তাবা নৎত্রগা অনীশুবা তাবা শোয়দনা ঙমগনি অদুনা মহাক্কী টিম অসি নোক আউট (Knock out) রাউন্দদা চঙবা ঙমগনি। লান তৌনদুনা য়েক্লবা অমা ওইরিবা ইরান অমসুং য়ু এস এ গ্রুপ অসিদা লম্বা তৌনরগনি। অর্জেন্টিনাগী লাইওনেল মেসিগী টিম্না অকনবা পোলেন্দ অমসুং মেক্সিকোগা লম্বা তৌনবদা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি উরুগ্বেগী লুইস স্বারেজ অমসুং খা কোরিয়াসু অরাইবা ওইরোই। মেসি অসি হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী অরোইবা ৱর্ল্ড কপ ওইগদৌরি। অমেরিকা (য়ু এস এ) গী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইখিবা নুপীগী কেপ্তেন কার্লি লোয়দ, ইংলেন্দগী হান্নগী শান্নরোয় জরা অমসুং বৃটিশ-জামায়কান স্পোর্টস প্রজেন্টর ওইরিবী সমোথা জোনসনসু থৌরম অদুগী যূম্বু ওইনা থৌরম অদুবু পাঙথোকখি।

কটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী শান্নফম নিপালনি। মসিগী মনুংদা খ্বাইদগী তোঙানবা অমা ওইরিবদি মমীং ‘ষ্টেদিয়ম ৯৭৪’ হায়না কৌবা ভাবোক ৪০,০০০না য়েংবা য়াবা অদুনি। মসি জহাজগী মচাকশিং লৌথোক্লগা রিসাইকল তৌরগা শাবনি। মসিদা ডাক্তরশিংগী লায়েংশঙ, অশোক অপন য়েংফম, ইরুজফম অমদি মথৌ তাবা পোৎ চৈ থন্ফম কয়ামুক য়াওই। হায়রিবা ৯৭৪ অসি লৈবাক অসিগী ইন্টরনেসনল Dialling Code ওইরি। ষ্টেদিয়ম অসি ৱর্ল্ড কপ হেক লোইবগা মচাকশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা অতেকপা, কোনশিনবা, লৈখায়বনচিংবা অমত্তা থোকহন্দনা শিদোক্কনি অদুগা পোৎশিং (মচাকশিং) অদু অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমদা শীজিন্নগনি। দোহাগী নোংচুপ্তা লৈবা সমুদ্রগী মপান্দা শেমগৎকদবা মফমশিং লৈবা অদুদা শীজিন্নগনি। অদুনা মফম অদুদা চাওখৎ থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোকখিবা সহরশিংদা শাখিবা ষ্টেদিয়মশিং অদু পূম্নমক নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমদে, সহর অচৌবশিংগীদি নিংথিনা শীজিন্নরবসু খরা খরা পীকপা সহরশিংদা ষ্টেদিয়ম শাদুনা মেটচশিং শান্নহনখিবদা ৱর্ল্ড কপ হেক লোইখিবগা শান্নফম অদু নিংথিনা য়েংবীদবা মরম্না কান্নবা করিসু লৈখিদে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা দোহানা তোঙানবা থৌরাং অমা লৌখৎলি। ‘ৱর্ল্ড কপ হেক লোইখিবগা ঐখোয়না মসি শীজিন্নররোই, ঐখোয়না শামু অঙৌবা (White Elephant) অসি শীজিন্নররোই’ হায়না ষ্টেদিয়ম অসিগী মেনেজর মোহমদ অলাটৱাননা হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি মদুদি মখোয়না ষ্টেদিয়ম অদু অতোপ্পা মফম অমদা অমুক শাগৎপা ঙম্মী, অদুগা হান্নগী ফীভম অদুদা শাগনি। পোৎ পূম্নমক লোইনা পুদুনা চৎকনি অমদি মখোয়না জহাজদা পোৎ হাপ্পগী হান্নগী সর্টিফিকেট লৈরি।

কুমজা ২০২২গী ৱর্ল্ড কপ অসিগী মীরৈবাক্তা টিকেট য়োনবগী মরমদা কটার টুরিজমগী চীফ ওপরেটর বর্থোলদ ত্রেনকেলনা অসুম্না হায় মদুদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না টিকেট মশীং য়াম্না দিমান্দ তৌরি, কা হেন্না মশীং য়াম্না লৈবা পাম্মী। মতাং অসিদা ত্রেনকেলনা হায়রি মদুদি মহাক্কী লৈবাক্লা ইন্দিয়া মচাশিং ৱর্ল্ড কপ য়েংবা লাকপদা ময়াম্না তরাম্না ওক্লি। নবেম্বর অমসুং দিসেম্বর থাদা লৈবাক অদুগী ষ্টেদিয়ম ৮দা অচৌবা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়ানা টিকেট অসি মশীং য়াম্না পাম্মী।

মহাক্লা মখা তানা হায়রি মদুদি য়াম্না থাপ্পা মফমশিংদা ৱর্ল্ড কপশিং পাঙথোকই। খুদম ওইনা ব্রাজিল, মদুদা ইন্দিয়া মচা কয়ামুক য়েংবা লাকখি। অদুনা কটার ইন্দিয়াদগী য়াম্না নকপা মরম্না মখোয়নালাকপদা য়াম্না লায়গনি। লৈবাক অদুগী মীওই খুদিংমক ফুটবোল য়াম্না পাম্মী। অদুনা মীওই কয়ামুক ফুটবোলগী ভাবোক ওই। মখোয়দা লমকোয়বগী মমিংদা ভিশা পীবগী অরাইবা খোঙথাং অমা ওইগনি অদুবু ভিশাগা ফুটবোলয়েংবগী টিকেটকা অমদি ফুটবোল য়েংবা লাকপদা লৈগদবা হোটেল অমা বুক তৌবগী চে চাং উৎকন্দবনি। লমকোয়বশিংনা লাকপদা য়েংনবা ম্যুজিয়মশিং হাংদোক্তুনা থল্লি। মসিদা কটারগী কলচর মীয়াম্না হেন্না খঙহন্নবা থৌরাং কয়া তৌরি। হরাও কুম্মৈ কয়া নাৎকী চৎনবীগা মরী লৈননা পাঙথোক্কনি। ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লিঙৈদা ঈশৈ শক্লবা শৈশকপা-শৈশকপী ২৮০ রোম শেম শাদুনা লৈরি।

সুপ্রিম কম্মিটিনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মীওই মিলিয়ন ১.৫ রোম লমকোয়বা লাক্কনি হায়রি। খরা অমদি মরৈবাক্কী টিম অদুনা অতোপ্পা টিমশিংবু মায়থীবা পীবা মতমদা মথংগী রাউন্দ য়েংবা লাক্কনি। খুদম ওইনা স্বিটজরলেন্দনা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবদি মথংগী রাউন্দদা শান্নগদবা মেটচ অদু য়েংনবা লৈবাক অদুগী ভাবোকশিং হেন্না লাক্কনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘এন বিরেনগী অনীরকশুবা টর্মদা, পোং নিংথৌনা চৎলম্বা লম্বী’

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

অনীরকশুবা টর্মদা মপি-মপা শক্লবা এন বিরেন অসি মীয়ামগী খোল্লাউদি তাইবঙ শেন্বা মপুগী খোল্লাউনি হায়বসি য়াম্না থাজবা অমদি হিষ্টোরিকেল, পারি-পুরিবু য়াম্না নীংজবনি হায়বসি তৌথোরকপা থবক্লা মশক তাকই হায়বসি ইজরিবা ঐনা খঙজে। অহানবা টর্মগী ১৩শুবা ওগষ্টকী ফঙ্কসন্দা কংলাদগী ইন্ত্রোগেসন সেল লৌথোক্কনি, নোংপোক থাঙ হাংগনি অসিনচিংবা কয়া লাউথোকখি। ইন্ত্রোগেসন সেল লৌথোকখ্রে, কংলাগী নোংপোক থংবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং য়াম্না থুনা শঙ্গারগনি লাউথোকখ্রে। হঙ্গৎনা য়েংবদা ১৫শুবা চহী চাদা মৈদিংঙু নিংথৌ কিয়াম্বনা পানবা মতমদা পোং নিংথৌগা কলচরগী মরী থম্বা হৌখি হায়না স্কোলর কয়ানা হায়নরম্মী। কিয়াম্বা নিংথৌগী মশুনুপীবু পোং নিংথৌদা থাজদুনা চারৌ-মৌরৌনখি। কুমজা ১৪৭০দা পোং নিংথৌনা মৈদিংঙু কিয়াম্বদা খুদোল ওইনা তমখিবা মীতম অদু ‘বিষ্ণু’ গী মীতমনি হায়নরম্মী। য়াম্না পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইবা পোং নিংথৌনা চৎলম্বা লম্বী ‘পোং লম্বী’ অসি মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি খুরাই এ সীগী এম এল এ বিজয়, ৱাংখৈ এ সীগী ইরাবোত, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী অমিন শাহ অমসুং লম্লাই এ সীগী বিরেননা পোং নিংথৌনা চৎলম্বা পোং লম্বী অসি ‘জেনিমস’ তা থিংজিনবীরম্বনি। হায়রিবা লম্বী অসি এ সী মরি অসিগী মীয়াম্না লৌউ-শিংউবা, শীংয়ান-ইফান, মনা-মশিং অসিনচিংবা কয়া হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা কয়া পুথোক্তুনা হিংনরিবা লম্বীনি। নিংথৌনা চৎলম্বা লম্বী পোং লম্বী অসি থিংজিনবদা থৱায় য়াওখিবা ও ইবোবী টর্ম অনীরক চীফ মিনিষ্টর ওইবা ঙমদ্রে। এম এল এ মরি, বিজয়, ইরাবোত, আমিন শাহ অমদি লম্লাই বিরেনসু কাবা ঙমদ্রে।

ঐহাক্লা খঞ্জবদা মীয়ামগী খোল্লাউ খঙদবা, নিংথৌনা চৎলম্বা লম্বী মীরাইবদগী টর্ম অনীরক কাদবনি হায়না লৌজে। লম্বী অসি থিংজিন্দ্রবদি, তিনসিদ রোদ অমদি দি সী রোদ পোরোম্পাৎ লম্বীদা ত্রাফিক জাম থোক্লিবা অসি খরমখৈদি কোকপা ঙমগনি। জেনিমসতা থিংজিল্লিবা অসি এম সী আইনা য়াদ্রবসু রুলস অসি মীনা শেন্বনি। হিষ্টোরিকেল অমদি জিওগ্রাফিকেল ফেক্টরদা লম্বী অসি থিংদবা য়াই। অচৌবা গাড়ী চৎহন্দ্রবসু ওটোরিক্সো ফাওবদং অকক্লবা পুংশিং, মতমদা চৎহল্লবদি লাইওইখ্রবা নিংথৌ অনীগী থৱায়না মপি মপা শক্লবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু মীয়ামগী য়াইফনবা তৌগে খনবা থবক খুদিংমক থৌজাল পীবীরক্কদ্রা হায়না খঞ্জে। লোয়ননা এ সী মরি অসিগী মীয়াম্নসু হায়নীংঙাই লৈতনা হরাওজগনি। টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল, পাওনা, রানি গাইদিনলিয়ু, নরসিংহ, ভৈগ্যচন্দ্র, গোবিন্দ, সনামহী অসিনচিংবা কয়াবু এন বিরেননা নীংশিংবগুম্না মৈদিংঙু কিয়াম্বা অমদি পোং নিংথৌবুসু নীংশিংহঞ্জবা পামজৈ।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
তোপ অৱাং লৈকায়